লল্লাই এ সীগী মনুং চনবা নোঙ্গেনদা মীওই অনী কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোম আইসোলেসন তৌরিবা ইমুং অদুগী মীওইশিংদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কে ঐচ ইবোমচানা তেংবাঙখিবা



মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম অমদি কে ভি কে থৌবাল অনীনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচর মর্কেটিং জয়পুরগী মীৎয়েং মখাদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা



শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট এদমিনিষ্ট্রেটর ওক্রম ইবোহনবীনা জন্যুৱারী ২৮গী মনুংদা পার্টি অসিগী মীরেপ ১৫গী মিং লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা




আই সী এফ এ আই য়ুনিভর্সিটি ত্রিপুরানা ওর্গনাইজ তৌদুনা হেল্পিং হেন্দস একাদেমি অমদি দোক্টরস ফোর য়ুগা খুৎশম্নদুনা ঘড়ীদা লৈবা হেল্পিং হেন্দস একাদেমিদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা



## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচ এন এস): জন্যুৱারী ২৪গী নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন (এম ঈ ঈ য়ু)গী হেদ ওফিস কৈশাম্পাৎতা কম্পেনি ইমপ্লোয়ীশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা মরী লৈনবা ইমপ্লোয়ীশিংনা মতম চানা লাক্নুনা খন্ন-নৈনবা অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সঞ্জিৎ তখেলময়ুমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা জন্যুৱারী ২৪গী নুমীৎ অসিমক্কী পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী হেদ ওফিস কৈশাম্পাৎতা সোসল সিক্যুরিটি স্কিম (এস এস এস)দা এবজোর্ব তৌখ্রবা ৱার্ক চাজ /মষ্টর রোল ইমপ্লোয়ীশিংগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। হায়রিবা মীফম অসিদসু মরী লৈনবা ইমপ্লোয়ীজশিংনা মতম চানা লাক্নুনা খন্ন-নৈনবা অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু এম ঈ ঈ য়ুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা তোঙানবা চেরোল অমনসু ফোঙদোরক্লি।

## ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচ এন এস): আই সী এফ এ আই য়ুনিভর্সিটি ত্রিপুরানা শীন্দুনা ফ্রী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা হেল্পিং হেন্দস একাদেমি ঘড়ী, দোক্টরস ফোর য়ুনা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না আই সী এফ এ আই য়ুনিভর্সিটি ত্রিপুরা ইম্ফাল ওফিসকী দিভলপমেন্ট ওফিসর য়ুম্নাম অর্বিন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা মহৈরোয় অমদি ফেকল্টি কয়ানসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংবু কোভিদ-১৯গী এস ও পি মপূং ফানা ঙাকহনখি।

আই সী এফ এ আইনা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিগুম্না লৈবাক মীয়ামগী কান্নরবা থবক থৌরমশিং কয়াসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিগী মনুং চন্না প্লাষ্টিকফ্রী কেম্প্যেননচিংবা তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ঐচ ঐচ জি একাদেমিগী প্রিন্সিপালনা আই সী এফ এ আই অমদি দোক্টরস ফোর য়ুগী অসিগুম্বা থৌরাং থৌশিলশিং অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, অসিগুম্বা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থৌরম অসিনা লাক্কদৌরিবা এগজামশিংদা শরুক য়াননবা শেম শারিবা মহৈরোয়শিংবু কোভিদ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্নুনা থন্না ঙম্বগা লোয়ননা মশা-মউ ফনা লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমসু ওইরগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দোক্টরস ফোর য়ুগী মেম্বরশিংনসু ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মহৈরোয়শিংগী ওইনা হৌজিক্কী অমদি তুংগী ওইনা য়াম্না কান্নগদবা থৌরাং অমনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি। থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়ারদুনা ভেক্সিন কাপখি। লোয়ননা দোক্টরস ফোর য়ুনা মখা তানা লেম্লা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবসু শীনগনি হায়খি।

## পোপি পান্থী য়ান্থুৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীংগী এরিয়াদা লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চীঙাক পোপি পান্থী নারোন্দা থারম্বশিং নার্কোটিক্স এফ্যের্স বোর্দর পুলিস, এম আর অমদি ফোরেষ্টকী কাঙবুগা পূন্না য়ান্থুৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙসিসু কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোইকাই খুলগী চীংশাং নাপোমদা মফম অদুদা একর ২২ রোমদা পাক শন্না থারম্বা পোপি পান্থীশিং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি রবি চৌধুরিগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনেল এস পি এল ওনচিংবা কম্বাইন্দ টিমনা য়ান্থুৎখিবনি।

# ইলেক্সন মতম ওইবনা লৈঙাক্না কোভিদকী এস ও পি কোমথোক্লব্রা : কম্মিটি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচ এন এস): ইলেক্সনগী মতম ওইবনা লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং কোমথোক্লব্রা হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীটচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্না থেংনরিবা তমথীরবা কোভিদ লাইচৎ অসিগী অহানবা অমদি অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং ঐখোয় পূন্নমক্না মায়োক্নখ্রবা মতুং অহুমশুবা ৱেভনা অমুকসু লান দাবা হৌরক্লে। মতম কুইনা কোভিদকী লাইচৎনা হীরম কয়াদা অৱাবা চৈথেং ফংলুরবা মীয়াম পূন্না মীৎকুপ খরদং নীংশা শ্বর হোন্দোক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা কোভিদকী অনৌবা ম্যুটেন্ট ওমিক্রোননা অমুক মীওই কয়াগী পূন্সি লৌখিগদগে হায়বা তম্বা ঙম্লক্ত্রি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং মতম খরা চাদা ২-৩দা লৈদুনা অথিংবা থল্লম্বা হীরম কয়া কোমথোক্লবসু নুমীৎ খরনি অসিদদি পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১৫-১৯ ওইরক্লি। ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদকী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) অসি নৌনা রিভিয়ু তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। ইলেক্সন মতম ওইবনা লৈঙাক অসিনা এস ও পি কোমথোক্লব্রা হায়বা ৱাফম কম্মিটি অসিনা হংনিংবা ফাওই। মীয়ামগী পূন্সি অমসুং ইলেক্সন অনীগী মরক্তা কনানা হেন্না লুবগে হায়বগী ৱাফমসু লাক্লে। কোভিদকী অহানবা অমদি অনীশুবা ৱেভ থেংনখিবা মতমদা লৈখিবা খূদোংচাদবশিং খূদম ওইনা টেষ্টিং কিটস ৱাৎখিবা, হোস্পিটালদা বেদ মশীং ৱাৎখিবা, ট্রিটমেন্ট সেন্টর য়ামখিদবা, ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈখিবা, দেদিকেটেদ দোক্টর/নর্স/ ষ্টাফশিং ৱাৎখিবা, ট্রিটমেন্টদা শীজিন্ননবা হীদাক লাংথক কয়া ৱাৎখিবা অদু হন্দক্কী অহুমশুবা ৱেভ অসিদদি মথৌ তাবা পূন্নমক লৈঙাক্না মাংজৌননা থৌরাং তৌদুনা থম্বীয়ু।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মণিপুর লৈঙাক্কী রিপোর্টকী মতুংইন্না ওমিক্রোন পোজিটিভ কেস ৩৯ লৈরে হায়রি। মসিদগী অমুক কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন তৌরক্তনবা কন্না হোৎনবা মথৌ তারি। মপান্দগী মণিপুরদা নোংথক্কী লম্বীদা অমদি কংফালগী লম্বীদা চঙলক্লিবশিং চাদা ১০০ স্ক্রিনিং তৌবগী থবক মায় পাক্না চঙশিনবা মথৌ তাই। স্ক্রিনিং তৌবগী ষ্টাফশিং ৱাৎলবসু অথুবদা মেনখৎপীয়ু। স্ক্রিনিং তৌবদা অহোবা লৈরবদি শোয়দনা লমদম অসিদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লাক্কনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক খক্তা নৎতনা মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ অসি থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নগদবনি। মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লৈত্রবগুম হৌজিক-হৌজিক অয়াম্বা মফমশিংদা মাস্ক উপ্তুবা, হেন্দ ৱাশ তৌদবা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং তৌদবা অসিনা মরম ওইরগা লায়না অসি মশীং থীঙমদনা শন্দোক্লিবনি। মীয়াম্না এস ও পিশিং অসি নীংথিজনা ঙাক্লবদি লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দারক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

কোভিদ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মরম অদুনা লমদম অসিগী ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংনসু অথুবা মতমদা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। ভেক্সিন কাপ্পা অমদি চেকশিনবা নৎতনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবগী লম্বী লৈতে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না কাউবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নীংথম খূদোল তমখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচএন এস): সিঙ্গা মখা লৈকাই ৱেলফ্যের ক্লব (এস এম দব্লিয়ু সী) য়াইরিপোক সিঙ্গানা খুল অসিগী শোথনা লৈরবা তোল্লবা কনা লৈজদ্রবশিং, অহল-লমনশিং, মপুরোইবা লৈখিদ্রবীশিং অমদি দিফরেন্টি এবল্ডশিংদা নীংথমগী খূদোল ওইনা ঙসি ব্লাঙ্কেট অমমম্ খূদোল তমখ্রে।

এস এম দব্লিয়ু সী য়াইরিপোকনা য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা খূদোল তম্বগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ক্লব অসিগী সেক্রেটরি এম দি অকবরনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, খুল অসিগী শোথনা লৈরবা য়াম্না ৱানা নীংথম থাগী অৱাবা মায়োক্ন রমগদবশিং অদু খরদং ওইরবসু কোকহন্ননবগী পান্দমদা তঙাইফদনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা খনগৎলবা মীওই ৪০ রোমদা নীংথমগী খূদোল ওইনা ব্লাঙ্কেট অমমম্ পীজবনি। মখা তারকপা ওইনসু অথুবা মতমদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা নীংথম খূদোল তম্নবসু শেম শারে হায়রি।

মান্নবা অমদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেম্নবগীদমক্তা এস এম দব্লিয়ু সীনা থল্লিবা অশানবা ৱাখল্লোনশিং অসিগী মনুং চন্না পোৎলমশিং অসি ক্লবকী লৈজবা ফন্দদগী পুথোকচদুনা খূদোলশিং অসি তমজবনি। মসিদা পোলিটিকেলগা অমদি হীরম অমত্তগা মরী লৈনদে। ক্লবকী ওইবা খূদোংচাদবা খরদগী পায়খৎকে খনবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অদু মতম খরা থিন্থখ্রবসু ক্লব অসিনা মতম-মতমগী ওইনা শোথরবশিংগী তেংবাঙ অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হায়বদি খুন্নাই অসিগী, মহৈ-মশিনগী অমদি শেন্মীৎলোনগী লম্দা শোথরবশিংগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়াগী খূথাংদা কান্নবা পীনবসু শেম শাবা লোইরে হায়খি।

লমদম অসিগী পূকচেল চাওরবা মীওইশিংনসু শোথনা লৈরবা মীওইশিংদা মতেং তৌমিন্নদুনা মান্নবা চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেম্মিন্নরসি। অমনা অমগী মতেং তৌবগী হৈনবী থম্নসি। ঐগী হায়বা অপীকপা ৱাখল থাদোকমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

## মনি পাৱর, মসল পাৱর থাদোক্লগা মণিপুর কনসি : ইবোহনবী

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর কনসি হায়রবদি মনি পাৱর অমদি মসল পাৱর থাদোক্লগা অমদি চোংথোক-চোংশিন থাদোক্লগা অশেংবা পোলিটিকেলগী চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌবীয়ু হায়না শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ওক্রম ইবোহনবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কনগনি অমদি ঙাক্তুনা থমগনি হায়দুনা লাউদুনা মতম শাংনা চহী ২০/৩০ রোম লাকপা অসি ইম্ফালগী ময়োল খক্তনি। লমদমসিগী কাচিন কোয়াদা পোকপা অদুগা লুচিংবা ওইগনি, মণিপুর ঙাক্কনি হায়না থোক্লকপা ইম্ফাল খক্তদা লাউবা কনবশিংগা পূনশিন্নবগী মমি খরা তাবা ৱাৎলি। মণিপুর ঙাক্কনি হায়না থোক্লক্লিবশিং অদুনা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীওইশিং অসিগা পূন্না চৎমিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবা চঙই। ঐখোয়গী ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক অসি ঐখোয়না খঙনা চৎতবগা লোয়ননা ঙাক্লসু চৎতে, খঙলবসু খঙশিন্নদে। লমদমসিগী পাৎ কনসি হায়রগা পাৎতা উ থাজিনবা, পাৎ ময়াইদা লম্বী শেমজিনবা হায়বসি পাৎ কনগে হায়বা নত্তে। পাৎ কনগে হায়রবদি পাৎকী ফীভম চপ চানা ঙাক্কদবনি। চীং কনগে হায়রবদি চীংগী ফীভম চপ চানা থম্বীয়ু। হৌজিক চীং, পাৎ অমত্তা লৈত্রে। নোংমগী তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লক্লে। মতম খর লৈরগদি উমং ওইনা লৈরম্বা কয়া অকোকপা লমদম অমা ওইরক্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লম্ফেল পাৎ অসি ঙসিদগীনা চহী ২৫ রোমগী মমাংদা লৈরম্বা ফীভম অদুগা ঙসিগী লৈরিবা অসিগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নরে। পার্টি অসিগী হৌজিক মীরেপ ২০গী মনুংদা ১৫দি থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

## ময়াই কাবা চীঙ্গাক লৈত্রবা মতমদতা চাউখৎপা লমদম ওইরক্কনি : কাদা

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচ এন এস): নুপীশিংবু শেন্থোক লম্বী লৈহন্দুনা মশানা মশাবু মরোমদোম লেপচবা ঙমহল্লবা অমদি মবুং মৌপ্পাশিংবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কলহৌনবগী পান্দমদা কোলিজন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী মখাদা হৌখিবা চহী ২০১৮দা হৈরোক্তা শাফোঙখিবা নিংঙোল ক্লব হৈরোক লিংখৎখিবা চহী ৪ মপূং ফারকপগী মপোক নুমীৎকী থৌরম ঙসি হৈরোক পার্ট-থ্রীদা লৈবা টি এন মেমোরিয়ল স্কুলদা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা অথোইবা মীথুং, নিংঙোল ক্লব হৈরোক্কী প্রসিদেন্ট খুন্দোংবম সোফিয়ানা থৌরম মপূ লোয়ননা ক্লব অসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ঙানবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়, ঙসি-ঙসিমক চত্থরিবা নার্কো কেমিকেল ৱার অসিদা নহাশিংগী মমি শাল্লকপা অসিদা ঐখোয়না মপা ওইবশিং অমদি মবুং মৌপ্পা ওইবশিং করম্না কলহৌসিগে হায়বগী ৱাখল্লোনদা নিংঙোল ক্লবকী ৱাখল্লোন অসি কাদানা শাগৎলকখিবনি। মসিগী মরমদি মচানুপা ওইবশিংনা মপাদা ৱা হায়বগা নিংঙোল ওইবীশিংনা মপাদা ৱা হায়বগা নিংঙোল ওইবীশিংনা ৱা হায়বনা হেন্না লুম্না লৌনবগী মরম কয়া উরকপননি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লুপখিদনবা ঐখোয়গী ঙসিগী মীরোল অসি কন্ননবা নিংঙোল ক্লব হৈরোক্না অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। চাইনাদা ওপিয়ম ৱার থোকখ্রবা মতুং শাফরক্তুনা ঙসিদি মালেমগী খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইরকপা অমদি ঙসি খম থেংনা চাউখৎলবা মতম অসিদা ঐখোয়না করম্বা থাক্তা লৈরি হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্না য়াম্না মুন্না খঙমিন্নবা অমা মথৌ তাই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা লাইচুদুনা লৈরবদি ঐখোয়না ইমা-ইপা, ইচে-ইচল নুংশিবা ঙল্লোই। মসিদগী লাপথোক্নবা হোৎনবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈহন্দবা হায়বসিনা অচেৎপা খোঙথাং অমনি হায়খি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাদ্রবা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক লৈত্রবা লমদম অমা ওইরক্লবা মতমদতা চাউখৎপা লমদম অমা ওইরক্কনি। মণিপুর অসি মতম অমদা স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়রম্বা অদু ঙসিদি দ্রগকী পাৱর হাউস ওইনা হায়নরক্লে। মসি পূন্নমক অসিদগী কলহৌনবগীদমক লমদম অসিগী নিংঙোলশিংনা অমত্তা ওইনা ৱাখল চুংশিনমিন্নদুনা পূন্না লেপমিন্নবা চঙই হায়খি।

## ‘ইকাইনিংঙাইনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২০ (ঐচ এন এস): কবুইগান ঙাইহবু জেলিয়াংরোংগীনি হায়না জেলিয়াংরোং বৌদিনা ফাঙদোরকপা অসি ইকাইনিংঙাইনি হায়না কবুই কষ্টমরি কাউন্সিল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে গাংমুমৈ কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইরমদম অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী য়েলহৌমী অমা ওইনা লৈরক্লবা কবুই ফুরুপনি অদুবু ঙরাংদা থোক্লকপা জেলিয়াংরোং বৌদিনা কবুই গান ঙাইহবু জেলিয়াংরোংগীনি হায়না ফোঙদোরকপা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা খঙফম থোকপদি মণিপুর ষ্টেটকী মনুংগী ওইবা ইস্যু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সোল্ভ তৌগদবনি। অতোপ্পা ষ্টেটকী ফুরুপ য়াওবদা মণিপুর লৈঙাক্না ইম্পোর্টেন্স পীফম থোক্তে। লৈঙাক অসিনা কবুইকী পুৱারীবু খঙশিন্নদনা কলচর/কষ্টমদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি হায়রি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচএন এস): মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম অমদি কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) থৌবালনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচর মার্কেটিং জয়পুরগী মীৎয়েং মখাদা স্কোপ ফোর প্রোসেসিং এন্দ মার্কেটিং ওফ ইসেন্সিএল ওইলস ফ্রোম দ লোকেল্লি এভেলেবল এরোমেটিক প্লান্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কে ভি কে থৌবাল ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওন্ট্রপ্রেনর কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা কম্মিস্নর এগ্রিকলচর এম জয়, ওইল পাল্ম মিসন মণিপুরগী কন্সল্টেন্টসু ওইরিবা মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়মগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেম, এম এস এম ঈ মণিপুর সেন্টরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. য়োইরেন তোম্বা অমদি কে ভি কে থৌবালগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট এন্দ হেদ ডা. জেস্মারানী সরাংথেমনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কে ভি কে থৌবালগী কেম্পসতা থারিবা অনৌবা পি এল ওইল পাল্ম চারাশিংগী ফীভমসু য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কম্মিস্নর এগ্রিকলচর এম জয়না হায়খি, লৌমীশিংনা মায় পাক্না পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবদা অফবা প্লান্টেসন মেটেরিএলস খনবা, অফবা টেক্নোলোজি শীজিন্নবা, মার্কেটিং মফম লৈবা অমদি ভেল্যু এদেদকীদমক য়াম্না ফজবা পেক্কেজিং তৌবা মরুওই। পাল্ম পান্থী থাদুনা শেন্থোক হেন্না পুথোকপা অমদি শেন্মীৎলোন্দসু মতেং পাংবা ঙম্বা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## হেন্দলূম এক্সপো লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর এক্সপো হেন্দলূম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসান সী এস লিমিটেদনা শীন্দুনা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরিগী লম্পাক্তা জন্যুৱারী ৭তগী চত্থরকপা হেন্দলূম এক্সপো ২০২১-২২ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংগী এৱার্দী অমদি ফিশাবীশিংদা সর্টিফিকেট পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না মণিপুর এক্সপো হেন্দলূম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসান সী এস লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট এ রোমিকানা ফোঙদোকখিবদা, হেন্দলূম হায়বসি ফিশাবীশিংনা থৱায় হাপ্পা ঙাক্তনি। মসিদা ষ্টেট অমসুং নেসনল এৱার্দী কয়া অসিনসু হেন্দলূমগী মশক থোকপা হেনগৎহল্লিবনি। হেন্দলূমগী শিনফমদা চঙলকপা হায়বসি মতম অমদা অঙকপা ওইনা লৌনরম্মী। হেন্দলূম হায়বসিদা ফিশাবী ময়াম্না মায়কৈ কয়াদগী ফি খরা-খরা শাদুনা পুরকপা অদুনা মালেমদা মশক তাকপা অমা ওইরকখিবনি। মণিপুরগী ফিশাবীশিংনা মণিপুর মশক তাক্লিবসি লমদম অসি ফিশাবীগী হৌরকফম ওইরকপা অসিনসুনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন হেন্দলূম ব্রান্দ ৭কী নেসনল এৱার্দী উরিখিনবম বালানা অথোইবা মীথুং ওইখি। ৱিভর্স সর্ভিস সেন্টর পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর, নেসনল হেন্দলূম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্ট ওফিসর ইন-চার্জ ৱাই শান্তিকুমার, এক্সপো হেন্দলূম ৱিভর্সকী মেনেজিং দিরেক্টর এস ভুবোন অমসুং মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরিগী লাইব্রেরি কষ্টদিয়ন কে চাওবাসু শরুক য়াখি।


## MANIPUR RURAL BANK

**H.O. KEISAMPAT IMPHAL**

**POSSESSION NOTICE**

(For immoveable property) Rule-8(1)

Whereas the undersigned being the Authorized Officer of the Manipur Rural Bank under the Securitization and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest Act, 2002 and in exercise of powers conferred under section 13(2) read with rule (3) of the security interest (Enforcement) Rules, 2002, issued Demand Notice (s) upon the following borrowers calling upon them to repay the amount mentioned in the Notice (s) within 60 days from the date of said notice(s).

The borrower(s) having failed to repay the amount, notice is hereby given to the borrower(s), in particulars and the public in general that the undersigned has taken possession of the properties described herein below in the exercise of powers conferred on him under section 13(4) of the said Act read with Rule (8) of the said rules on the date mentioned below against their names.

The borrower(s) in the particular and the public in general are hereby cautioned not to deal with the properties and any dealings with the property will be subject to the charge of the Manipur Rural Bank for the amount(s) mentioned below and interests thereon.

| Sl. No | Name of the Borrower, Account No.& Branch | Date of the Demand/ SARFAESI Notice | Claim Amount as per demand Notice | Description of property(s) |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Lairenlakpam Nobin Singh S/o (L) L. Modhu Singh Chingarel Tejpur Imphal East District 9017300009836 Porompat | 20-10-2021 Date of 13(4) 17-01-2022 | Rs 3,10,552/- | Deed No.330 dated 10-04-2015, Patta No. 250(New), C.S. Dag No. 43, measuring an Area of 0.22 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Lairenlakpam Nobin Singh S/o (L)L.Modhu Singh situated at Village No. 35-Phaknung, Imphal East Manipur |
| 2 | Irungbam Ingba Meetei S/o I.Irabanta Meetei Pungdongbam Awang Leikai Imphal East District 9017300007795 Porompat | 20-10-2021 Date of 13(4) 17-01-2022 | Rs.3,80,583/- | Deed No.298 dated 11-03-2014, Patta No. 53 & 152(New), C.S. Dag No. 17 & 15, measuring an Area of 0.5100 & 0.65 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Irungbam Ingba Meetei S/o I.Irabanta Meetei situated at Village No. 27-Pungdongbam, Imphal East Manipur. |
| 3 | Saikhom Yaimachou Singh S/o, S.Manihar Singh Naharup Makhapat, Imphal East Manipur 9017250001786 Porompat | 20-10-2021 Date of 13(4) 17-01-2022 | Rs. 15,02,960/- | Deed No. 535(v) dated 22-03-2010, Patta No. 125(Old), 72/668(New), C.S. Dag No. 91/449, measuring an Area of 0.39 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Saikhom Yaimachou Singh situated at Village No.41-Makhapat Imphal East District, Manipur. |
| 4 | Leitanthem Devan Singh S/o L.Yaima Singh Kongpal Chanan Leikai Imphal East 9017250001656 Porompat | 20-10-2021 Date of 13(4) 17-01-2022 | Rs. 15,00,402/- | Deed No.2031 dated 18-10-2012, Patta No. 180/784(New), C.S. Dag No. 14/653, measuring an Area of 0.02800 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Leitanthem Devan Singh S/o L.Yaima Singh situated at Village No. 29-Top Naoriya, Imphal East, Manipur. |
| 5 | Yambem Achou Singh S/o Y.Pramodini Devi Singjamei Okram Leikai Imphal West District 9012250000888 Kongba | 04-12-2020 Date of 13(4) 18-01-2022 | Rs. 17,27,561/- | Deed No.471 dated 03-02-2015, Patta No. 550(Old) 1749/2097(New), C.S. Dag No. 754/1918, measuring an Area of 0.0069 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Yambem Achou Singh S/o Y.Pramodini Devi situated at Village No. 59-Oinam Thingel, Imphal West Manipur. |
| 6 | Leimapokpam Ramananda Singh S/o L.Gandhar Singh Singjamei Oinam Thingel Imphal West District 9017300005067 Porompat | 06-12-2017 Date of 13(4) 18-01-2022 | Rs. 6,53,268/- | Deed No. 3117 dated 29-08-2014, Patta No. 360(Old) 540/830(New), C.S. Dag No. 307/510, measuring an Area of 0.0607 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Leimapokpam Ramananda Singh S/o L.Gandhar Singh situated at Village No. 59-Oinam Thingel, Imphal West District Manipur |
| 7 | Yambem Anandakumar Singh S/o(L) Y.Tombi Singh Singjamei Okram Leikai Imphal West District 9012250001120 Kongba | 04-12-2020 Date of 13(4) 18-01-2022 | Rs. 7,01,238/- | Deed No. 3675 dated 08-09-2016, Patta No. 44(Old), 82/2084/2254(New), C.S. Dag No. 1366/1857, measuring an Area of 0.0455 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Yambem Anandakumar Singh situated at Village No. 59- Oinam Thingel, Manipur. |
| 8 | Moirangthem Santosh Singh S/o (L) M.Bhabeya Singh Khongman Zone 2, Imphal East 9012250000806 Kongba | 04-12-2020 Date of 13(4) 18-01-2022 | Rs. 8,53,747/- | Deed No. 456 dated 23-02-2016, Patta No. 223(Old) 527/1187(New), C.S. Dag No. 658/1344, measuring an Area of 0.05375 Acres Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Moirangthem Santosh Singh situated at Village No.51-Khongman, Imphal East District, Manipur |
| 9 | Nongmaithem Millioner Singh S/o N.Rana Singh Singjamei Yumnam Leikai Imphal West District 9017300015525 Porompat | 20-10-2021 Date of 13(4) 18-01-2022 | Rs. 14,93,631/- | Deed No. 325 dated 25-06-2019, Patta No. 679/682(New), C.S. Dag No. 356/824, measuring an Area of 0.2400 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Nongmaithem Millioner Singh S/o N.Rana Singh situated at Village No. 54-Wangkhem Keirao, Imphal East District |
| 10 | Kshetrimayum Debakumar Singh S/o Ksh.Tomba Singh Yurembam Awang Leikai Imphal West District 9017250003223 Kongba | 04-12-2020 Date of 13(4) 19-01-2022 | Rs. 9,34,780/- | Deed No. 3032 dated 03-08-2017, Patta No. 344(Old) 609/1271(New), C.S. Dag No. 374/785, measuring an Area of 0.08 Acre Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Kshetrimayum Debakumar Singh S/o Ksh.Tomba Singh situated at Village No. 79-Yurembam, Imphal West Manipur. |
| 11 | RK Pakpi Singh S/o (L) RK Tejkumar Singh Sagolband Bijoygovinda Imphal West District 9017300004855 Porompat | 06-12-2017 Date of 13(4) 19-01-2022 | Rs. 6,06,725/- | Deed No. 1626 dated 18-05-2013, Patta No. 285(Old) 679(New), C.S. Dag No. 3210/3235, measuring an Area of 0.0219 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of RK Pakpi Singh S/o (L) Rk Tejkumar Singh situated at Village No. 86-Sagolband, Imphal West District Manipur. |
| 12 | Ningthoujam Naobi Singh S/o, N. Yaima Singh Wangjing Bazar Manipur 9007300008877 Wangjing | 17-12-2020 Date of 13(4) 20-01-2022 | Rs. 5,91,283/- | Deed No.1238 dated 27-12-2013, Patta No. 177(Old), 221/360(New), C.S. Dag No. 151/465, measuring an Area of 0.0130 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Ningthoujam Naobi Singh situated at Village No.35-Cherapur, Thoubal Sub-Division, Manipur. |
| 13 | Narengbam Debananda Singh S/o (L) N.Maimu Singh Wangjing Lamding Bazar Thoubal District 9007300008488 Wangjing | 17-12-2020 Date of 13(4) 20-01-2022 | Rs. 9,28,507/- | Deed No. 673 dated 28-04-2016, Patta No. 172(Old) 47/540(New), C.S. Dag No. 71/210, measuring an Area of 0.0295 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Narengbam Debananda Singh S/o (L)N.Maimu Singh situated at Village No. 34-Lamding, Thoubal District Manipur. |
| 14 | Ningthoujam Kumar Mangang S/o (L)N.Chandramani Singh Thangmeiband Maisnam Leikai 9001300015677 Imphal Branch | 16-03-2019 Date of 13(4) 21-01-2022 | Rs. 82,31,846/- | Deed No. 2657 dated 31-07-2013, Patta No. 279 Angs(Old) 1664/2923(New), C.S Dag No. 6040/6307, measuring an Area of 0.0128 Hectare Classified as Ingkhol Class and standing in the name of Ningthoujam Kumar Mangang S/o(L)N.Chandramani Singh situated at Village No.90-Thangmeiband, Imphal West, Manipur |

HL-B/7442/22

Sd/- Authorised Officer,
Manipur Rural Bank